**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

২) ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা অমদি নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈচিল কুংনা থাগনি।

অমসুং

৩) নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পারাক্রম দিবস ২০২৫ হয়েং পাঙথোক্কনি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন তৌবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

নেসনেল হাইৱে-টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বী অমদি নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা মথং শিংনা পোৎ পুবা গাড়ি ৩০৮ অমদি ২১২ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুথোরকখ্রে। গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অশোই অঙাম থোক্তনবা চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি কনভোই থমদুনা অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাং পায়খৎলি। মণিপুরগী তোঙান

তোঙানবা জিলাশিংদা চ্যেক পোইন্ট ১০৬ হাংদোক্কুনা থল্লি। অদুমওইনমক মীফা মীপুনগী পাউ লৈতে।

এরেষ্ট (এল)ঃ  সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লিলোং চজিং অৱাং লৈকাইদগী আইন্না থিংখ্রবা আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা তোপ খোংনাংখোঙদগী ঙরাং ফারে। মঙোন্দগী মোবাইল হেন্দসেট অমা, লুপা লিশিং ১,৫০০ য়াওবা ৱাল্লেট অমা অমা ফংলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি (এম.এফ.এল)গী মীওই অমা মন্ত্রিপুখ্রি বজারদা ঙরাং ফারে। মঙোনদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি মচা অমা, মোবাইল হেন্দেসেট অনি, লুপা লিশিং ১ য়াওবা ৱাল্লেট অমা অমসুং আধার কার্দ অমা ফংলে।

লম্বী (এল)ঃ  ৭৬ শুবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগা মরী লৈননা মসিগী ফুলদ্রেস রিহারসেল ইরাই নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। ফুলদ্রেস রিহারসেল অমদি নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা গনতন্ত্র দিবস থৌরমগা মরী লৈননা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ত্রোল ৱিংগী এস.পিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-শিংজমৈ ফাওরগা লিলোংদগী হাইগৎলকপা গাড়িশিংনা পিশুমথোংলোমদা চৎকনি। মোইরাংখোমলোমদা লাকপা গাড়িশিং কৈশামথোংলোমদা চৎকনি। ময়াংইম্ফালদগী কৈশামপাৎ তমা লাকপা গাড়িশিংনা তিদিম লাইন নত্রগা ৱাহেংবম লৈকাইরোমদা চৎকনি। কোইরেংগেদগী খোঙনাং অনি কারকলোমদা লাকপা গাড়িশিংনা দিংকুরোড নত্রগা এসেমব্লি রোডতা চৎকনি। শঞ্জেনথোং অমদি মিনুথোং ফাওরগা ইম্ফাল ইষ্টলোমদগী লাকপা গাড়িশিংনা লমলোং থোং, লোক্লাউবুং, থোম্বুথোং অমদি শিংজমৈ থোংলোমদা চৎকনি। উরিপোক কাংচুপ রোডতগী ফ্লাই ওভর ব্রিজ ফাওরগা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাললোমদা চৎকনি।

নিউ কছার রোডতগী লাকপা গাড়িশিংনা কৈশামপাৎ নত্রগা নাগামপাললোমদা চৎকনি। তিদিম রোদতগী কৈশামপাৎ তমা লাকপা গাড়িশিংনা ৱাহেংবম লৈকাই নত্রগা ময়াংইম্ফাল লম্বীদা চৎকনি। খোয়াথোং অমদি থাংমৈবন্দলোমদগী এল.আই.সি ক্রোসিং তমা লাকপা গাড়িশিংনা নাগামপাললোমদা চৎকনি। খুমন লম্পাক অমসুং এম.এম.টি.এদগী নোর্থ এ.ও.সি ক্রোসিংরোমদা লাকপা গাড়িশিংনা এম.এম.টি.এ ক্রোসিংদগী মিনুথোংলোমদা চৎকনি। অদুমওইনমক, ভি.আই.পি নত্রগা ইম্মরজেন্সি সার্ভিসশিংগী ওইনদি অথিংবা অসিদা য়াওরোই হায়রি।

এআর (এল)ঃ ইম্ফালগী দি.এম. কলেজ কম্পসতা চথুরিবা চহিগী কম্বাইন ত্রেনিং কেম্পতা শরুক য়ারিবা এন.সি.সি কেদেটশিংদা অসাম রাইফলসনা মোতিভেসনেল লেকচর পীবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেদেটশিং অদুবু লান্মীগী শিনফমদা চংনিংবগী অপান্বা পোকহন্নবা লেকচর প্রোগ্রাম অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি। তুংদা অসাম রাইফলসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংগা কেদেটশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

পোলো (এল)ঃ দিরেক্তর জেনেরেল অসাম রাইফলস মেন এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ঙরাং ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা শান্নখিবা মেটচতা অসাম রাইফলস মেন্স পোলো টিম-এনা য়ুনিভর্সিয়েল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১২-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা কোংপাল পোলো ক্লব টিম-বিনা অমির ক্বাক্তা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৩-০ দা থোইখি।

নুপীগী কাংলুপ্তুনা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবা অমসুং নোংপোক থংবা শরুক্তা

লৈচিল কুংনা থাগনি। উত্তর প্রদেশতদি হয়েং লৈচিল কুংনা থাগনি হায়রি।

বিহার, রাজস্থান, নোংচুপ বেঙ্গল, সিক্কিম, ঝারখন্দ, উরিষা, অসাম, মেঘালয়, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরম অমসুং ত্রিপুরাদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা লৈচিল কুংনা থাগনি। হিমাচল প্রদেশ, ঝারখন্দ, হরিয়ানা, চান্দিগর অমদি উত্তর প্রদেশতা হয়েং অখাক অরাউ য়াওনা নোং চ়রবা য়াই হায়রি।

বোস ঃ নেতাজি শুবাসচন্দ্র বোসকী ১২৮ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা জাতি অসিনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎতুনা পারাক্রম দিবস ২০২৫ হয়েং পাঙথোক্কনি।

পালন থৌরম অসি মহাক্কী পোকফম লমদম উরিষাগী কটক্তা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ হুমি চথুগদবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা কলচর মন্ত্রালয়না তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া শিল্লি। উরিষাগী মুখ্য মন্ত্রি মোহন চরন মাঝিনা থৌরম অদু হয়েং হৌদোক্কনি। মহাক্কী পোকফম লমদমদা পাঙথোক্কদবা থৌরম হৌদোকপা নুমিৎতা মহাক্কী মফমদা কৎথোকপা ওইনা মহাকা হোৎনজরম্বা কয়া অদুবু মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক ম্যুজিয়ম অমসু হাংদোক্কনি। নেতাজি শুবাসচন্দ্রগী য়ুমদা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরাল চিংখৎকনি। মসিগা লোয়ননা বারবতি ফোর্টতা পাঙথোক্কদবা পারাক্রম দিবস থৌরম প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা হৌদোক্কনি। লোয়ননা মহাক্কী পুন্সি ৱারী তাকপা মেলা অমসু হৌদোক্কনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা স্কল্পচর ৱার্কসোপ অমসুং লাইয়েকপা চাংদমবসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

এক্কাউন্ট ঃ ইং কুমজা ২০১৫ গী জনুৱারি ২২ দা হৌদোকখিবা বেতি বচাও, বেতি পরাও কেম্পেনগা মরী লৈননা লৈবাক অসিদা সুকন্যা সম্রিধি এক্কাউন্ট কোতি ৪ হেন্না হাংদোক্লে। সরকারনা হায়- স্কিম অসিগী মখাদা অঙাং নুপীমচাশিংগী মমা মপাশিংনা পোষ্ট ওফিস নত্রগা বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিংদা লুপা ২৫০ না হাংবা এক্কাউন্টশিং হাংদোকপনি।

শেল থুম মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- এক্কাউন্টশিং অসিগী ওইনা সরকারনা চহিদা লুপা ৮ পৈশা ২০ শেন্দোই হাপ্লি। ঙসি সুকন্যা সম্রিধি য়োজনা হৌদোকখিবা চহি ১০ মপুং ফারে। লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপীমচাশিংনা এক্কাউন্ট হেক হাংদোকপদগীনা মহাক্কী এক্কাউন্ট অদু ক্লোজ তৌদ্রিবা ফাওবা স্কিম অসি চৎনগনি৷ নুপীমচা অমনা এক্কাউন্ট অমখক্তমক হাংবা য়াহল্লি।

আরজিকর ঃ নোংচুপ বেঙ্গোলগী আর.জি.কর হোস্পিতালদা মহৈ তম্লিন্বী জ্নিয়ার ডাক্তর অমবু ওৎ-নৈরবা মতুংদা তমথিনা হাৎখিবা ৱাথোক্তা চেন্নবা-সঞ্জয় রোইবু অখন্নবা কোর্ট অমনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবা ফাদোক পীখিবা অদুগী মহুৎতা শিবগী চৈরাক পীবিয়ু হায়না নোংচুপ বেঙ্গোল সরকারনা কলকাতা হায় কোর্টতা তকশিল্লি।

রাজ্যগী এদভোকেট জেনরেল-কিশ্বর দত্তনা কলকাতা হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চকী জষ্টিস-দেবংশু বাসপ অমসুং জষ্টিস-সবার রাশিরিদা হীরম অসিগা মরী লৈননা তকশিনখি। দিভিজন বেঞ্চ অদুনা সরকারগী ৱাফম অদু খন্নগনি হায়বগী অয়াবা পীখি।

দিল্লিঃ সিট ৭০ লৈবা দেল্লি বিধান সভা মীখলদা মীরেপ ৬৯৯ না লম্বা তৌনরগনি। মীখল মথং থাগী ৫ দা পাঙথোক্কনি। ভোট মশিংনা ফেব্রুৱারি ৮ দা থিগনি। মীরেপ লিশিং ১,৫২৩ না মীরেপচে পীশিল্লকখি। মদুগী মনুংদা, মীরেপ ৮২৪ দগী মীরেপচেশিং য়াখিদবনি। মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিত্তা ৬৮০ না মাগী মাগী মীরেপচেশিং পীশিল্লকখি। মীখল অসিদা বি.জে.পীনা সিট ৬৮ তা মারেপ থাগৎলি। লেমহৌরিবা সিট ২ অদুনা মখোয়গা চুংশিন্নবা জে.দি.য়ু অমসুং এল.জে.পীনা থেংনগনি। কংগ্রেসনা সিট ৬৮ অমসুং সরকার পায়রিবা আম.আদ্মি পার্তিনা সিট ৭০ মক্তা মীরেপ থাগৎলে। হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি আরবিন কেজ্রিৱালগী বিধান সভা কেন্দ্র নিউ দেল্লিদা মীরেপ খ্বাইদগী য়ামা মীরেপ ২৩ না লম্বা তৌনগনি। অদুগা, পটেলনাগর অমসুং কসতুরবা নাগরদনা খ্বাইদগী য়ামদনা মীরেপ ৫-৫ না লম্বা তৌনগনি।

টরকি ঃ  টরকিগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা স্কাই রিজোর্টতা হাংবা হোটেল অমা ঙরাং মৈ চাক্লকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬৬ শিরে, ৫১ না অশোক অপন নংলে। হৌজিক ফাওবদা হোটেল অদুদা লৈরম্বা মীওই ২৩০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে।

টরকিগী ইটরিয়র মন্ত্রিনা হায়- মথোল ১২ ৱাংবা হোটেল অদু খঙহৌদনা ঙরাং অয়ুক মৈ চাক্লকপদগী লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। পাউ খরনা হায়- শিরবশিং অদুগী মনুংদা মীওই অনি অমদি হোটেল মৈ চাক্লকপা অদুদা কিমনবদগী হোটেল মথক্তগী চোংথরকপদা শিবনি। মৈ অদু মতৌ করমা চাক্লকখিবনো হায়বদু চপ চানা খঙদোকবা থিজিনবগী থবক চত্থরি।

---নিউজ পেপর হেদলাহন্স---

মণিপুরদা ষ্টেহুদ ডে থৌরম পাঙথোকখিবা, ৱাখল তান্নদবা পুমমক ফম্মিন্নরগা লোইশিনশি হায়বা চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম, গভর্নরনা টি.বি. কন্ট্রোল প্রোগ্রাম রিভিউ তৌবা অমসুং রিলিফ কেম্পতা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

ষ্টেটহুদ ডেগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াইফ পাউজেল পীরকখ্রে হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ৱাখল তান্নদবা পুমমক ফম্মিন্নরগা লোইশিনশি হায়বা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেটহুদ ডে থৌরমদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মেছিনরিশিং শিজিন্নদুনা লৈঙোই কোৎপদা থিংবিনবা লৈত্রবা । সেংমাই তুরেলঃ মপু পান্দ্রে, তুরেল অসিগী ঈশিং পুমনৈ নৈহনবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

কংথরক্লিবা পাৎশিং হান্নগী ফিভম হঞ্জিনহনবনা অকোইবগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং পাংগনি হায়বা পাউ অমা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসগী অহানবা

লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফালদা ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গভর্নরনা টি.বি. কন্ট্রোল প্রোগ্রাম রিভিউ তৌখ্রে হায়না মণিপুর নিউজকী এনকর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা- মাস কেম্পেন চত্থদুনা টি.বি. লায়না মুত্থৎনবা গভর্নরনা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা লমায়দা ফোংলি।

বি.এস.এফগী চীফ রবি গান্ধি মণিপুরদা লাক্কুনা সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা পিপলস ক্রোনিকলদা ফোংলি।

রিলিফ কেম্পতা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখিবগী পাউ পোকফম পাউচেদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- নোনেদা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা ফোংলি।

রিমসপু সেন্তর ওফ এক্সেলেন্স ফোর রেয়র দিজিজ ওইনা শকখণ্ডখ্রে হায়বা পাউ অমা সনালৈবাক্তা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেনাপতিদা নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী থৌরম হৌদোকখিবা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা কেবিনেট টিম অমা ঙসি লাক্কুনা প্রোজেক্ট ১৭ কী উরেপ উযুং তমগনি হায়বা পাউ অমা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

------